# ২শুবা আরকেএফদি সঙাই ত্রোফি এ ৱাই এম এফ এগা ভসাইগা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

আর কে ফোর্চুন দিভলবপরনা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনাইটেদ ভেতরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, মণিপুরনা শিন্দুনা মণিপুরগী ভেতরান ফুটবোল টিম ১৯না শরুক য়াদুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথরিবা ২শুবা আর কে এফ দি সঙাই ত্রোফিগী ফাইনেল মেটচতা এ ৱাই এম এফ এ য়াইরিপোক অমদি ভসাই থাংমৈবন্দ টিম অনিনা লম্বা থেংনরগনি।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা অমদি অনিশুবা সেমি ফাইনেল অনিমক্না পেনাল্টি কাওনখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ভি এস এ সি চুরাচান্দপুর অমদি এ ৱাই এম এ য়াইরিপোক টিম অনিনা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনদুনা শান্নবদা নাকল অনিমক্না মেটচকী অপিবা মতমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কনা দিসাইদ তৌনবদা (পেনল্টি কাওনবদা) এ ৱাই এম এফ এ য়াইরিপোকনা গোল ৬–৫দা ভি এস এ সি য়াইরিপোকপু মায়থিবা পিরম্লগা ফাইনেল চংখি।

পেনাল্টি কাওনবদা এ ৱাই এম এফ এ য়াইরিপোককী গোল এম দি অবদুল হকিম, ঐচ ইঙোবী, কে রঞ্জিৎ, এম রহিমুদিন, এম অলিয়াস খান অমদি এম সলামদনা চনখি।

ভি এস এ সিগী গোল অদুনা এফ স্টেফে মার, টি গিনখানলিয়ান, কে কে সুট, নেংসোনমুং অমদি জেমস জি সোন্তকনা চনখি।

মেটচ অসিদা ভি এস এ সিগী লালকাইসঙ্গাবু মেটচকী মিনট ১০দা অমদি এ ৱাই এম এফ এগী টিঐচ ইঙোবীবু মেটচকী মিনট ২৮দা রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি ইম্ফাল ক্লাকৈথেল অমদি ভসাই থাংমৈবন্দ টিম অনিনা লম্বা চানা অকনবা লম্বা থেংনদুনা শান্নবদা এফ সি ইম্ফাল ক্লাকৈথেলগী টিঐচ কৃষ্ণনা মেটচকী মিনট ২দা গোল ১ অমদি ভসাইগী কে খেলেননা মেটচকী মিনট ১০দা গোল ১ চন্দুনা নাকল অনিমক্না গোল ১–১দা দ্রো চংখি। মেটচ অসি কিক ফ্রোম পেনাল্টি মার্কনা দিসাইদ তৌনবা পেনাল্টি কাওনবদা ভসাইনা গোল ৫–৪দা এফ সি ইম্ফাল ক্লাকৈথেলবু মায়থিবা পিরম্লগা ফাইনেল চংবা ঙমখি।

পেনাল্টি কাওনবদা ভসাই থাংমৈবন্দগী গোল কে খেলেনল পি রোমেস, গাইফুংলুং এম, কেঐচ বোনোমালি অমদি দেভানন্দনা চনখি।

এফ সি ইম্ফালগী গোল অদুনা এ জয়েন্তা, এন সুরচন্দ্রা, এন ইতোচা, এম স্যামসুন্দরনা চনখি।

মেটচ অসিদা এফ সি ইম্ফালগী ৱাই খজাম্বাবু মেটচকী মিনট ৭তা অমদি ঐচ সুবোলবু অহানবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইমদা রেফরিনা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩১দা পাঙথোক্লগনি।

# থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট কাল, অল–অমীন মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ক্রিকেট টিম ৪না গ্রুপ ২ থোক্না খায়দোক্লগা অথোই অহেন তান্নদুনা ঙরাংদগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টদিয়ম লুৱাং পোকপদা চথরিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি–২০ ক্রিকেট লীগ কম–নোক আউৎ টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা কাল লিলোং মসজিদ রোদনা এল সি আই সিবু ৱিকেট ৪দা অমদি অনিশুবা মেটচতা অল–অমীন লিলোংনা দব্লিউ ৱাই সিবু রন ৬২দা মায়থিবা পিখ্রে।

চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা মেটচতা এল সি আই সি মাইরেনখুনগা কাল লিলোং মসজিদ রোদকা শান্নবদা এল সি আই সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১১৪ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা কাল মসজিদ রোদনা অপিবা ওভর ২০গী মনুংদা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৫ স্কোর তৌদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা এল সি আই সি মাইরেনখুনগী রন মির্সানা বোল ৪১দা রন ৩৮, বোবোইনা বোল ৬৮দা রন ৬১ অমদি রফিকনা বোল ৬তা রন ৬ লৌখি।

ইন্নিংস অসিদা বোল্লিং তৌখিবা কালগী রাজাকনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ অমদি রাসনা ওভর ২দা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কাল মসজিদ রোদনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা অজিজনা বোল ৩৮দা রন ৩৯, জহঙ্গরনা বোল ২০দা রন ১৩ অমদি রাসনা বোল ২৪দা রন ১৭ লৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা মির্সনা ৱিকেট ২, নানাওনা ৱিকেট ২, মুদাসিরনা ৱিকেট ১ অমদি সদামনা ৱিকেট ১ লৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেটেচতা অল–অমীন লিলোংগা দব্লিউ ৱাই সিগা শান্নবদা অল–অমীননা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনবগা লোয়ননা অপিবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭২ স্কোর তৌখি। মসিগী পাউখুম ওইনা অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সিনা ওভর ২০দা ওল আউৎ ওইরগা রন ১১০খক্তমক স্কোর তৌবদগী মেটচ অসি মায়থিহৌখিবনি।

অল–অমীননা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা সমিরনা বোল ৫৩ মায়োক্লবদা রন ৮৬, অবদুল্লাহনা বোল ৩৮দা রন ৪২ অমদি সাহদতনা বোল ২২দা রন ২৬ স্কোর তৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সিগী জেমসনা ওভর ৩দা ৱিকেট ১ লৌখি।

অনিশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দব্লিউ ৱাই সিনা স্কোর তৌখিবা রনগী মনুংদা মঙ্গীনা বোল ২৩দা রন ২৪, হেরোকুমারনা বোল ২১দা রন ২৪ অমদি সামুঙৌনা বোল ২০দা রন ১৪ স্কোর তৌখি।

বোল্লিং তৌখিবা অল–অমীনগী সাহদতনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৪, নৌসাদনা ওভর ৪দা ৱিকেট ৩ অমসি সমিরনা ওভর ৪দা ৱিকেট ২ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা এল সি আই সিগা দব্লিউ ৱাই সিগা অমদি অনিশুবা মেটচতা অল–অমীনগা কালগা লম্বা তৌনদুনা শান্নরগনি।










Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*